**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম ঙসি নুংথিল পুং ৪ দা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগী ভাষনগা লোয়ননা হৌখ্রে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- কেন্দ্র সরকারগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক য়াইফ থৌরাংশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি।

৩) মীরোনবী নুপীশিংদা খুদোংথিবা থোক্তনবা হোস্পিতালশিংদা অহেনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না রাজ্যপালনা ফোংদোকখ্রে।

৪) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদা লম একর ১৮০ হেনবদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

অমসুং

৫) সংসদকী সভা অনিগী অপুনবা মীফমদা রাষ্ট্রপতিনা পীখিবা ভাষন থাগৎপগী মোসন লোক সভানা ভোইস ভোৎতা পাস তৌখ্রে।

------

এসেমব্লি (এল)ঃ ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম ঙসি নুংথিল পুং ৪ দা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগী ভাষনগা লোয়ননা হৌখ্রে।

সভাদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা মহাক্কী সরকারনা রাজ্য অসিদা শান্তি হজিনহন্নবা অমদি আই.দি.পিশিংগী সমস্যাশিং কোকহন্নবা লৌখৎলিবা থবক কয়া পনখি। শিক্ষা অমসুং হকশেলগী লমদা মহাক্কী সরকারনা পায়খৎলিবা

থৌরাং কয়াসু সভাদা পাউদমখি। রাজ্যপালনা মহাক্কী ৱারোলদা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা মণিপুর পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখিবা অমদি মীওই কয়ানা সরকারদা চংজরক্তুনা খুৎলায়শিং পীখৎলকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। রাজ্যপালনা হায়- কেন্দ্র সরকারগী মতেংগা লোয়ননা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক য়াইফ থৌরাংশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। সরকারগী থৌরাং মখাদা হৌখিবা চহি ২০২৫ গী নভেম্বর ১ ফাওবদা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা দাইরেক্ট বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা শেলগী মতেং পীখি। পি.এম.এ.ৱাই.জিগী মখাদা লৈবা বেনিফিসরি লিশিং ৭ রোমগী য়ুম শাবদা মতেং ওইনবা ইমুং অমমমদা লুপা ১ লিশিং ৭০ গী তেংবাং পীবগী থৌরাংসু পায়খৎলি। লাঞ্জেন্নরবশিংবু তাঙ্কক নাইনা মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্দুনা লৈহন্নবা লুপা কোতি ৫২৩ গী রিসেটলমেন্ট এন্দ রিহেবিলিতেসন পেকেজ পীববগী খোঙথাংসু পায়খৎলি।

মহাকা হায়- অনৌবা সরকার অমা লাকপগা লোয়ননা চৎলিবা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ অসিদা রাজ্য পুলিসকী থবক থৌরমশিংদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎপদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি। রাজ্য অসিদা পুলিসকী থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা মফম কয়াদা সাইবর ফোরেন্সিক সেল, সি.সি.টি.ভি খিনবা য়াওনা হেল্প লাইন নম্বরশিং হাংদোকখ্রে।

শ্রী ভল্লানা হায়- পুলিস হেদক্বাটর, ক্বাটর, বঙ্কর অমসুং বেরেকশিং লুপা কোতি ৫৪ চংনা নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎনবা থৌরাং লৈরে। মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা খুদক্কী ওইবা থৌরাং পায়খৎপদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা খোঙথাংশিং পায়খৎলি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না ভোলুন্তিয়ার লিশিং ৬৩ তাকপী তন্বীবগা লোয়ননা মোক দ্রিল কয়া পাঙথোক্লি। রাজ্য অসিদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউগী মতাংদা পল্লদুনা রাজ্যপালনা হায়- মণিপুরদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউ অদুদা পুন্না মীওই লিশিং ১ হেন্না কনখি।

মহাকা হায়- অনৌবা লোশিং বি.এন.এস অমসুং বি.এন.এস.এস য়াওনা মোবাইল ফোরেন্সিক ভেনশিং মথৌ নিংথিনা তৌহন্নবা অকনবা থবক লৌখৎলি। হৌখিবা চহিদা লোশিং অসি মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা মৈতৈলোনদা

হন্দোক্কুনা ফোংখ্রে। ককচিংগী দিষ্ট্রিক্ট সেসন কোর্ট শঙ্গাদুনা মথৌ তৌবা হৌখ্রে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা মতিক চাবা ৱায়েল লোইশঙশিং হাংদোকপনা মীয়ামদা থিন্থদনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবদা মতেং ওইরি। হৌজিক ফাওবদা কোর্টতা পনদুনা লৈরম্বা অপুনবা কেসশিংগী চাদা ৯৬ লোইশিনবা ঙমলে।

রাজ্যপালনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চীংগী জিলা মঙাদা সুপর স্পেসিয়েলিতি হোস্পিতালশিং শানবা প্রধান মন্ত্রিনা যাত্রা হুল্লম্লে। পি.এম. দিভাইন স্কিমগী মখাদা পি.ঐচ.সি অমসুং সি.ঐচ.সিশিং অপগ্রেদ তৌবগী থবক পায়খৎলি। সি.এম.ঐচ.টিগী মখাদা মীওই লিশিং ৩৮ হেন্না মীং চল্লে। হোস্পিতাল ৭৫ দা স্কিম অসিগী মখাদা কান্নবশিং পীরি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎপনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা পোকপদা ঙাইহিরিবা অঙাং অমদি মমা ওইবীশিং শিবগী চাং হন্থরে। মীরোনবী নুপীশিংদা খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোকবা মাংজোননা খঙদোকপগী চাং চাদা ১.৬ তগী চাদা ৯ দা হেনগৎহল্লে। লোয়ননা অঙাং পোকপগী রেকোর্দশিং নিংথিনা থমবগীদমক আধার লিঙ্ক বার্থ রেজিষ্ট্রেসন তৌবা হায়বসি তঙাইফদবা থৌরাং অমা ওইরে।

চীঞ্জাক্কী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী ভল্লানা হায়- ফুড সেফতিগী থবক থৌরমশিং মপাঙ্গল হেনগৎহনবগা লোয়ননা লম্বীগী নাকলদা পোৎ চৈ য়োল্লিবশিংনা মীওইবগী হকচাংদা শোক্লোইদবা পোৎলমশিং য়োন্নবগী মতাংদা ট্রেনিংশিং পাঙথোক্লি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিগী ওইনা হৌখিবা চহি অসিদা টেক্স খোমগৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। চীংগী জিলা ৬ তা জি.এস.টি সেন্তরশিং হাংদোক্লে। কামজোং জিলাদা এক্সাইজ ষ্টেসন অমা হাংদোক্কুনা মথৌ তৌবা হৌরে। মসিদসু নত্তনা সরকারনা কর্ম্মচারিশিংগী দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স চাদা ৩৯ দগী ৪২ দা হেনগৎতুনা কর্ম্মচারি লিশিং ৭৬ অমদি পেন্সনর লিশিং ৬০ হেনবদা কান্নবা ফংহল্লি। রাজ্য অসিদা খুন্দারিবা মীয়ামা শান্তি লৈনা, নুংশি চান্নবা অমদি চাওখৎপা মণিপুর ওইহন্নবা অমত্তা ওইনা লেপমিন্ননবা মীয়ামদা রাজ্যপালনা আপীল তৌরি।

পোপ্পি (এল)ঃ   রাজ্য অসিদা নিশাগী মায়োক্তা চত্থরিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদা লম একর ১৮০ হেনবদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

উখ্রুল পুলিসকী পাউনা হায়- উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী লুচিং মখাদা পুলিস, বি.এস.এফ, অসাম রাইফলস, বিহার রেজিমেন্ট, মণিপুর রাইফলস অমদি ফোরেষ্ট বিভাগকী অপুনবা কাংবু অমনা পোপ্পি পাম্বীশিং অদু য়াম্থৎতুনা মাংহনখি। পাউ অসিনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা কামজোং জিলাগী মপিথেল চীংশাং পরেংগী লম একর ৯০ রোমদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং মাংহনখি। অতোপ্পা সেক্যুরিতিগী কাংবু অমনা উখ্রুল জিলাগী কামাসোম চীংশাং পরেংগী লম একর ৯৫ রোমদা পাক শন্না থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখি। অদুমওইনমক থোইদোকপা মীফা মীপুন লৈখিদে হায়রি।

কম্মিসন (এল)ঃ   মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ময়াংইম্ফাল শাপম লৈকাইদা লৈবা শত্তি খোঙনাং অমসুং কোনচাক মনিং লৈকাইগী মৈকিবী খোঙনাংবু লমদম অসিগী নাৎ অমদি চৎনবীগী মরুওইবা মফমশিং ওইনা ঙাকপী শেনবীনবা থৌরাং অমা পায়খৎনবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না ষ্টেট আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রে।

ময়াংইম্ফালদগী মীওই অমনা কলচর মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেলাইজ পাব্লিক গ্রিভান্স, রিদ্রেস এন্দ মোনিটরিং সিষ্টেমগী খুত্থাংদা থাংগৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতুংইন্না কম্মিসন্না ষ্টেট আর্কিওলোজিকেল বিভাগতা খঙহনখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া, আইজোল সার্কলনা য়েংশিল্লবা মতুংদা রাজ্যগী অর্কিওলোজিকেল বিভাগকী সুপরিন্টেন্দেন্টনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখিবা লৈরে। লোয়ননা চহি অসিগী জনুৱারি ২৯ দা কম্মিসন্না ৱাকৎ অদু তারবা মতুংদা ইন্টরিম ওর্দর অমা থোক্কুনা লমগী রেকোর্দ য়াওনা তঙাইফদবা মচাকশিংসু য়েংশিন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

ইমা (এল)ঃ   মণিপুরদা য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা লুচিংবা অনৌবা সরকার

অমা শেল্লকপবু মণিপুর ইমানা তরামা ওক্লি। চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়-চীং অমসুং তমগী এম.এল.এশিং পুনশিন্নদুনা মণিপুরদা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলক্কনি অমসুং শান্তি হৃঞ্জিল্লক্কনি হায়না লুপ অসিনা থাজবা ফোংদোক্লি। লোয়ননা লুপ অসিনা মণিপুর এন.আর.সি চৎনহন্নবা লাউদুনা লাকপনি। হৌজিক সরকার অমা লাক্লবনিনা মপানদগী আইন কায়না চংলকপা মীতোপশিং খন্দোক্তুনা চাওখৎ থৌরাংদা মায় ওনশিনবা মতম ওইরে অমদি লাঞ্জেন্নরিবশিং অথুবদা মশাগী ময়ুমদা হৃঞ্জিনহন্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়নসু আপীল তৌরি।

থাদৌ (এল)ঃ থাদৌ ইনপী মণিপুরনা থাদৌ অমদি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাকবা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌবীয়ু হায়না রাজ্যগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেনদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

থাদৌ ইনপী মণিপুরগী চেরোল অমনা শ্রীমতি নেমচা কিপগেনবু উপ-মুখ্য মন্ত্রি ওইনা হাপ্পকপদা নুংঙাই ফোংদোরক্লি। খোঙথাং অসি থাদৌ ফুরুপকী মাহুৎ অমনা সরকারগী অৱাংবা ফম অমা পায়বা অহানবা লুচিংবা অমনি। মসিমক য়াম া ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙথাং অমনি। চেরোল অসিনা হায়- শ্রীমতি নেমচা কিপগেন থাদৌ ফুরুপকী লুচিংবা অমনি। উপ-মুখ্য মন্ত্রি অমা ওইনা মণিপুরবু থুগাইনবা হোৎনরিবশিংদগী লাপথোক্তুনা অমত্তা ওইবগী থবক থৌরমদা হেন্না মায় ওনশিনহন্নিংই। ভারত সংবিধানগী মখাদা থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়বা ৱাফম অসি ৱাহন্থোক লান্না চৎহল্লোইদবনি।

সিলচর (এল)ঃ নেসনেল মণিপুরী প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট (এন.এম.পি.এফ) সিলচরনা শিন্দুনা মণিপুরগী নাৎ অমসুং শক্তম ঙাক শেনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ফ্রন্ট অসিগী প্রসিদেন্ট আই.এস. থিংঙোমগী য়ুমদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা মালেমগী থাক্তা শকখঙলবা মণিপুর ফিলম হাওবম পাবন কুমারবু কেরলাদা পাঙথোক্কদবা ১৮ শুবা সাইন্স ফিলম ফেষ্টিভেলগী জ্‌রি পেনেলদা য়াওনবা খল্লকপগীদমক ফ্রন্ট অসিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। কেরলাদা লৈবা ফেদরেসন ওফ ফিলমস সোসাইতিজ ওফ ইন্দিয়া

অমসুং কেরলা ষ্টেট চল চিত্র একাদমিনা শিনবা সাইন্স ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ৬ তগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি। ফ্রন্ট অসিনা পাঙথোকপা মীফম অদুনা মরুওইনা মণিপুরী নাৎপু মালেমগী থাক্তা পুখৎলিবা মীওইশিং মখা তানা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখি।

চোথে (এল)ঃ মণিপুরদা খুন্দারিবা চোথে ফুরুপকী অপুনবা মহৈরোইশিংগী লুপ অমা ওইরিবা চোথে ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরগী ৫৮ শুবা কনফরেন্স কম স্পোর্টস মিট ২০২৬ ঙসি চান্দেল জিলাগী পুরুম চুম্বাং খুলদা হৌদোকখ্রে। প্রিজার্ভিং হেরিতেজ, ইন্সপয়ারিং জেনেরেসন্স হায়বা হিরমদা পুরুম চুম্বাং য়ুথ ক্লবনা য়ুম্বু ওইদুনা কনফরেন্স অসি নুমিৎ ৭ নি চুপা চথগনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইবা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ, শান্ন-খোৎনবা অমদি দিবেটনচিংবা লমশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি।

লোক সভা ঃ সংসদকী সভা অনিগী অপুনবা মীফমদা রাষ্ট্রপতিনা পীখিবা ভাষন থাগৎপগী মোসন লোক সভানা ভোইস ভোৎতা পাস তৌখ্রে। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হৌখিবা জনুৱারি ২৮ দা সভা অনিগী অপুনবা মীফমদা ভাষন অদু পীখিবনি।

থাগৎপগী মোসন অদু কেন্দ্র মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি এম.পি- সরবানন্দ সোনোৱালনা পুখৎখি অমসুং বি.জে.পিগী এম.পি- তেজাস্বি সুরয়ানা সেকেন্দ তৌখি।

অহানবা মীফম য়ৈথোক্লুরগা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ দা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা রাষ্ট্রপতিগী ভাষন থাগৎপগী মোসন অদু লৌখৎখি। বিরোধি সদস্য কয়ানা পুখৎলকখিবা এমেন্দমেন্টশিং শ্রী বিরলানা ভোৎ লৌনহনখি অমদি সভানা মদু য়াখিদে। বিরোধিগী চরাংনবা মরক্তা লোক সভাদা থাগৎপগী মোসন অদু পাস তৌখি। অধ্যক্ষনা শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেৎ খন্নবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখি অমসুং সদস্য খুদিংমক ৱা ঙাংনবা তাঞ্জা পীগনি হায়খি। অদুবু বিরোধিগী চরাংনবা মরক্তা অধ্যক্ষনা সভাগী মীফম নুংথিল পুং ২ ফাওবা অমুক য়ৈথোকখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা কুলালম্পুরদা চৎলগনি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি মালেসিয়াগী প্রধান মন্ত্রি অনৱার ইব্রাহিমনা বার্তন তৌরকপগী মতুংইন্না লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা চৎকদবা খোঙচৎ অমনি।

খোঙচৎ অসিগী মতাংদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি (ইষ্ট) পি. কুমারন্না পাউমীশিংদা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি থা অসিগী ৭ তা চৎকদবনি। প্রধান মন্ত্রিগী কুলালম্পুর খোঙচৎ অসি হন্দক্কী অসিনা অহুম্লক শুবনি। মহাকা হায়- খোঙচৎ অসিনা মরুওইনা অসিয়ান লৈবাকশিংগী মরক্তা অফবা মরী থমবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইগনি। খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী ফম মান্নবা অনৱার ইব্রাহিমগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী হিরম কয়াদা ৱারী শান্নগনি। লুচিংবা অনিনা মরুওইনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক, ঙাকশেল, দিজিতেল টেকোলোজি অমসুং রিন্যুএবল ইনর্জিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা ১০ শুবা ভারত-মালেসিয়া সি.ই.ও ফোরমসু পাঙথোক্কনি। মসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মালেমসিয়াগী মরুওইবা কম্পনিশিংগী সি.ই.ওশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

সাহ ঃগৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ভারতকী অহানবা কোওপরেতিভ টেক্সি সার্ভিস, ভারত টেক্সি হৌদোকখ্রে। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ভারত টেক্সি অসি কোওপরেসনগী খুত্থাংদা মীয়াম্বু পুন্না পুরকবা অমসুং অপিকপা সেলেপ পুনশিন্নদুনা অচৌবা থবক অমা হৌনবগী প্লেটফোর্ক ওইরগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়- সরকারনা টেক্সি সার্ভিসকী হিরমদা মীৎয়েং চংদ্রি। অদুমওইনমক, টেক্সি সার্ভিকী থবক থৌরম অসি কোওপরেতিভকী ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা কোনশিন্নবা পান্দম থল্লি। মসিনা টেক্সি থৌরিবা দ্রাইভরশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবতা নত্তনা মখোয়গী পুন্সি মহিংদা অহোংবা অমা পুরকপদা মতেং ওইরগনি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ভারত

টেক্সিনা দ্রাইভরশিংনা ফংজরিবা ভারা অদুদগী করিগুম্বা কম্মিসন অমত্তা লৌরোই।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা টেক্সি সার্ভিস হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা মরুওইবা পাব্লিক অমদি প্রাইভেট ষ্টেগহোল্ডরশিংগী মরক্তা য়ান্না চেরোল ৯ সহি তৌনখি।

সহি ঃভারত অমসুং গল্ফ কোওপরেসন কাউন্সিলনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্টকী টার্মস ওফ রিফরেন্স সহি তৌনখ্রে। থৌরম অদুদা সভাপতি ওইখিবা কেন্দ্রগী লল্লোন ঈতিক মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়- জি.সি.সি লৈবাক ৬ কা ভারতকা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্টকী য়ান্নবা অসিনা লল্লোন ঈতিক্কী অচৌবা লম্বী অমসু হাংদোক্লগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিনদুনা লমলোং থোঙখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্তিং ক্লব (ৱাই.ও.এস.সি) অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্তিং য়ুনিয়ন (নেসু) পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিনদুনা লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চথরিবা চহি ১৯ মখাগী নুপী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা- মণিপুর য়ুনাইতেদ এফ.এনা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ১০-০ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কাংচুপ রোড য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (ক্রিপসা)না য়ুনাইতে পুখাউ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (য়ু.পি.এস.এ)বু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা চথরিবা ১৯ শুবা দি.এস.এ ত্রোফি

২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.এ ককচিং খুনৌ মায় পাকখ্রে। মেটচ অদুদা এ.কে.এস.এ ককচিং খুনৌনা য়ু.সি.সি ককচিংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোংনা শিনবা তরুকশুবা ভিলেজ লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ঐচ.এফ.সি সেক্তানা এল.এম.এল.সি.সি টিম-বি লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা দি.ৱাই.এ এলাংখাংপোকপী লাক্তবদগী এম.পি.এ টিম-বি থৌনাউজমনা ৱাঙ্ক ওভর ফংখ্রে।

ফুটবোল ঃ ৫ শুবা লেফটনেন্ট কর্নেল রোবার্ট টি.এ. মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ঙসিদগী এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা টিম ১৯ না শরুক য়ারি। ঙসি শান্নখিবা একজিবিসন মেটচ অমদা ওর্গনাইজারস এলেভেন্না অহুমসুবা ইঞ্জিনিয়ার রেজিমেট টিমবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.য়ু.(এস.ভি.সি) শগোলবন্দনা নপসা খা ইম্ফালবু রন ১৯ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.সি.সি কোংবনা এল.সি.সি লমশাংবু রন ৫০ দা থোইখি।

------